**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি দেল্লিদা থুংখ্রে, কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা উন্নরগনি।

২) বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কৈবুল লমজাউদা শঙাই কনভেন্সন কম ব্রিদিং সেন্তর অমা শেমগৎলে।

৩) ৭১ শুবা নেসনেল ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পালনগী মনুং চন্না রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

৪) ইন্দিয়া মেট বিভাগ, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।
অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ইনোভেসন অমসুং স্কিলদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মপাঙ্গল কনবা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি।

------

বিরেন (এল)ঃ রাজ অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরি লৈন্না কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা উনরুনবগীদমক হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা এম. এল. এ অহুম য়াওবা পুন্না মীওই মরিনা শাবা কাংবু অমা ঙসি দেল্লিদা থুঙখ্রে।

খোঙচৎ অদ্দা এম. এল. এ. সাপম রনজন, হৈখাম দিঙ্গো অমসুং তোংব্রম রোবিন্দ্রো শরুক য়াখি। খোঙচৎ অসিগী মাঙওইন্না ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা অনৌবা সরকার অমা শেমবগীদমক কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা তকশিল্লুনবগীদমক চৎপনি।

অদুমওইনমক, পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা খোঙচৎ অসিদা কেন্দ্রগী করম্বা লুচিংবশিংগা উন্নগনি হায়বদুমদি ফোংদোক্লমখিদে।

ফোটো (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায়না হায়রি- বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কৈবুল লমজাউদা শঙাই কনভেন্সন কম ব্রিদিং সেন্তর অমা শেমগৎলে। সেন্তর অসি মালেমগী অতৈ মফমশিংদা ফংদবা লমদম অসিখক্তদা ফংবা ষ্টেট এনিমেলসু ওইরিবা শঙাই হায়রিবা শজি মখল অসি কন্নবগীদমক্তনি।

ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসনগী মনুং চন্না ইম্ফালগী নুপীলাল কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱাইল্ড লাইফ ফোটোগ্রাফি একজিবিসন হাংদোকপগী থৌরমদা শ্রী ভাজপায়না মখা তানা হায়- রাজ্য অসিগী মমল নাইদ্রবা নেচরেল হেরিতেজশিং অসি দোক্কুমেন্টেসন তৌবগী ৱাখল্লোনদা একজিবিসন অসি পাঙথোকপনি।

সরকারগী মাইকৈদগী রাজ্য অসিদা ফংবা তাংলবা শা-উচেকশিং কন্নবা খোঙথাং কয়া লেপ্লা লৈতনা পায়খৎলি। মসিগী মনুং চন্না ককচিং জিলাগী খরুংপাৎতা হেক্তর ২২৭ লোম চাউবা উচেকশিংগী ওইবা সেঙ্কচুয়ারি অমা শেমগৎনবা হোৎনরি। মসিগা মথক্তা বিষ্ণুপুরদা শা-উচেকশিংগী ওইবা রেস্ক্যু সেন্তর অমসু শাগৎনবা থবক পায়খৎলে। মসিদা নত্তনা রাজ্য অসিগী অতৈ জিলাশিং জিরিবাম, কামজোং অমসুং উখ্রুলনচিংবদসু লম্লক্কী শা-উচেকশিং কন্নবগীদমক সেন্তরশিং শেমগৎপা হৌরে।

ৱাইল্ড (এল)ঃ   ৭১ শুবা নেসনেল ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পালন থৌরমগী মনুং চন্না মহৈরোইশিংদা মহৌশাগা মীওইবগা লৈনবা মরী নিংথিনা খঙহন্নবা ৱাখল্লোনদা উখ্রুল জিলাগী শিরুই পাউরৈদা নেচর কেম্পিং পাঙথোকখ্রে। উখ্রুল ফোরেষ্ট দিভিজন্না ৱাইল্ড লাইফ ত্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং ইনফোগেলগা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা কেম্পিং অদুদা মহৈরোই ৫০ রোমা শরুক য়ারি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা উখ্রুলগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার গিতলা লাইশ্রমনা হায়- কেম্প অসি মহৈরোইশিংগী মহৌশাগী মচৎ অমদি শক্তমশিং নিংথিনা খঙহন্নবগীদমক পাঙথোকপনি।

৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা ফোরেষ্ট বিভাগকী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ ক্বিজ কম্পিতিসন অমা লুৱাংশংবমদা লৈবা মণিপুর ফোরেষ্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা এক্সত্রা এস. স্কুলনা অহানবা, লিটল মাষ্টর হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা অনিসুবা অমসুং নোংপোক মহৈকোলনা অহুমসুবা তারে।

পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ক্বিজ, ফেস পের্ন্টিং কম্পিতিসন অমা মীওইবা অমসুং অতৈ জিবশিংগা পুন্না হিংমিন্নবা হায়বা হিরমদা কাংপোকপী জিলাগী এ.দি.সি হোলদা কাংপোকপি ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

জিরিবাম জিলাদা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক্কা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্লক্কী শা-উচেকশিং কন্নবা অমদি উমং ৱামং য়োকখৎনবগী মতাংদা লাউদ স্পিকর শিজিন্নদুনা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা পাউজেল পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা মীয়ামদা পীখিবা পাউজেল অদুদা লম্লক্কী শা-উচেক ফাবা, য়োনবা অমদি চাবনচিংবা থৌওংশিং কনাগুম্বনা চখুরম্লবদি ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ২০২২ গী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা চৈরাক ফংবা য়াই হায়খি।

চায়োল পালন অসিগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্লক্কী শা-উচেকশিং ফাদনবা অমদি হাৎপনচিংবা থৌওংশিং চখুহন্দনবা পান্দমদা দ্রাইভ চখুখি।

দ্রাইভ অদুদা নিংথম থাগী মতমদা পাইরক্তুনা চাক্তরবা উচেকশিং ফানবগীমক থাক্লম্বা লাংশিংসু ফাগৎখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা চীংগী জিলাশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। তমেংলোং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

উখুল অমসুং কামজোংদা হয়েং অমসুং হংচিৎ ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি। জিরিবাম অমসুং নোনেগী মফম খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ডে (এল)ঃ সেফ এনিমেলস, সেভ দ প্লানেট হায়বা হিরমদ ঙসি ৱার্ল্ড এনিমেল ৱেলফ্যার ডে পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিসকী জোইন্ট দাইরেক্তর ডাঃ এল. রোনিবালা দেবীনা হায়- মীওইবা খুনাইনা শা য়াওনা অতৈ থৱায় পানবা জিবশিংগা লৈনরিবা মরী নিংথিনা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অসিনা ঐখোয় পুমমকা খুৎশমদুনা শা-উচেকশিং য়াওনা মালেম অসিবু কন্নবা হোৎনমিন্নশি।

সেমিনার (এল)ঃ লাইশ্রম সোমরেন্দ্র অমসুং এলাংবম সোনামিণিগী পুন্সি অমসুং মখোয়না তৌরম্বা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মালেম থাক্কী খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী সেন্ত্রেল লাইব্রেরীদা হৌখ্রে।

ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব মনিপুরগা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফাল, অসাম য়ুনিভরসিতি সিলচরগী মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, খা মনিপুর কলেজ, ককচিং অমসুং আই.ক্যু.এ.সি. এন.জি. কলেজ ইম্ফালগা পুন্না শিনবনি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা কানাডা, বঙ্গলাদেশ, অসামদগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিতি অমসুং কলেজগী স্কোলার ৪৫ রোমনা শরুক য়ারি।

থৌরম অসিগী ওর্গনাইজিং কমিতিগী কনভেনর ডাঃ নন্দো নিংঙোম্বমনা হায়-পাঙথোক্লিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অসিনা লাইশ্রম সোমরেন্দ্র অমসুং এলাংবম সোনামিণিনা সাহিত্যগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহনবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা দি.এমগী ভাইস চান্সেল্লর-ৱাহেংবম চান্দবা য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

রিটচ (এল)ঃ রিছার্স ইন্সটিটুয়ট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি (রিটচ) ইম্ফাল লিংখৎখিবগী ১৫ শুবা মপোক নুমিৎ ঙসি দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সতা পাঙথোকখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বোরোলেন্দ যুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এল. লদু সিংহনা- স্পাসিয়েল এনালাইসিস ফোর হেলথ এন্দ দেমোগ্রাফিক রিছার্স হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা ধনামঞ্জুরি যুনিভর্সিতি মণিপুরগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর অমসুং রিটচকী ইকজক্যুতিভ কাউন্সিলগী চেয়ারমেন প্রোফেসার এন. রাজমুহোন সিংহ, রিটচকী দাইরেক্তর প্রোফেসার এন. নিমাই সিংহনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা রিটচকী ৱেব সাইট অমসু হাংদোকখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ইনোভেসন অমসুং স্কিলদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মপাঙ্গল কনবা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা পাঙথোকপা কৌসল দিকসান সমারোহদা তোঙান তোঙানবা নহাশিংগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী লমশিং য়াৎপা থৌরাং কয়া হৌদোক্লদুনা হায়- লৈবাক অসিগী আই.টি.আইশিং অসি ইন্দষ্ট্রিগী শিক্ষা পীবা খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিবু আত্মা নিরভর ওহন্নবা মফম অমসু ওইরি। ভারত অসি নোলেজ অমসুং স্কিলগী লমদা মপুং ফানা খঙ হৈরবা লমদম অমা ওইরি। মসিনা ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা পাঙ্গল ওইরি। শ্রী মোদিনা হায়-পি.এম. সেতু স্কিমনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা

আই.টি.আই লিশিং ১ হেন্না অপগ্রেদ তৌদুনা অনৌবা মতমগা চুনবা মেছিনশিং হাপচিন্দুনা মহৈরোইশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংগা মালেমগী স্কিলনা পান্নিবশিং অসি করিনো হায়বদু খঙহনবা ঙম্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- জি.এস.টি বচৎ উৎসব অসি হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা চংখরি। মসিনা বিহারগী নহাশিংদা দবল বোনস ফংহনবা ঙমলে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা নহাশিংদা মীৎয়েং থম্বা লুপা কোতি লিশিং ৬২ হেনবগী প্রোজেক্ট কয়া হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা নবোদিয়া বিদ্যালায়া ৪০০ দা ভোকেসনেল স্কিল লেব লিশিং ১,২০০ অমসুং লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩৪ দা একলব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল ২০০ স্ শঙ্গাখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রালয়গী মখাদা ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিংগী তোপ্পর ৪৬ ওকখি।

সিতারমন ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ঙসি গুজরাতকী গান্ধিনাগরদগী লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদবা আপকী পুনজি আপকা আধিকার কেম্পেন হৌদোকখ্রে। কেম্পেন অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শেল থুমগী লমদা অপনবা লৈরিবশিং অদু অথুবা মতমদা লোইশিনবা ঙমহল্লগনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- কেম্পেন অসিনা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসন অমসুং ক্লেমেনশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু নকশিন্নহনদুনা মখোয় মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং অদু ফংহন্দুনা পনদুনা লৈরিবা শেল থুমশিং মপুংশিংদা য়ৌহনবা ঙম্লগনি। লাক্লিবা থা অহুম অসিদা কেম্পেন অসি লৈবাক অসিগী জিলা খুদিংমক্তা পাঙথোক্কনি।

হকশেল ঃ হকশেল মন্ত্রালয়না হায়রি- চহি অনিগী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদা লোক খুবা অমসুং মশা ইংবগী হিদাকশিং য়ারিবা মখে পীজরোইদবনি। মন্ত্রালয়না থোকপা এদভাইজরি অমনা হায়- চহি মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাংশিং অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা অঙাংশিংদা মমুৎ তানা ক্লিনিকেল ইভালুএসন

তৌরবা মতুংদা হিদাকশিং পীজগদবনি। মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তরশিংদা হিরম অসিগী মতাংদা অইবা চেরোলশিং থাখ্রে। থৌরাং অসি মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থানদা লোক খুবগী হিদাক থক্লুবদগী শিখিবগা মরী লৈননা পায়খৎলকপনি। মন্ত্রালয়না হায়- থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কুপা থিজিনবগী থবক চথরি।

অমরোমদা, রাজস্থানদা চীফ মিনিষ্টরস ফ্রি মেদিসিন স্কিমগী মখাদা পীবা লোক খুবগী হিদাকশিং থক্লুবদগী অঙাং অসি শিখিবা অমসুং কয়া অমনা নাবগা মরী লৈননা সরকারনা ড্রগ কন্ত্রোল্লর রাজা রাম শর্ম্ম থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। হকশেল বিভাগনা রাজ্য অদুদা দেক্সত্রো মেথোরফান য়াওবা কপ সিরপশিংসু অথিংবা থল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

রাজস্থান মেদিকেল সার্ভিসেস কোওপরেসন লিমিতেদকী মতুংইন্না ২০১২ দা কেসন ফারমাসিগী হিদাক লিশিং ১০,১১৯ গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌখিবা লৈরে। মসিগী মনুংনা ৪২ সবষ্টেন্দর্দ ওইবা থেংনখি।

মরক অসিদা মধ্য প্রদেশ সরকারনা রাজ্য অসিগী চিন্দৱারা জিলাদা লোক খুবগী হিদাক থক্লুবদগী অঙাং ৯ কিদনিদা ইনফেক্সন থোক্তুনা শিখিবগা মরী লৈননা লোক খুবগী হিদাকশিং য়োনবদা অথিংবা থমখ্রে। কাঞ্চিপুরমগী ফেক্তরি অমদা শাবা হিদাক অদু থক্লুবদগী অঙাংশিং অদু লৈখিদবনি হায়রি।

ইসি ঃবিহার বিধান সভা মীখলগী শেম শারিবশিং অদু য়েংশিন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনগী চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেস কুমারনা ঙসি তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিংগা ডন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা রাজনীতি দলশিং- বি.জে.পি, জে.দি.য়ু, কংগ্রেস, আর.জে.দি, লেফট অমসুং অতৈ দলশিংনা শরুক য়ারদুনা মীখল অসি শান্তি ওইনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকখি। সরকার পায়রিবা বি.জে.পিনা মীখল অসি ফেজ য়ামদনা পাঙথোকবা দাবী তৌখি।

বিহার ঃ বিহারদা অকনবা নোংনা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীরে। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং পাটনা, বৈসালি, সরন, সিৱন, শৈখপুরা, জম্মুই, নৌৱারা, অরৱল অমসুং জহেনাবাদতা লেপ্তুনা অকনবা নোং চুবদগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোক্লে। মেট দিপার্টমেন্টনা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফূটবোলঃ ৩০ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ রাজ মাতা জিজাবাহ ট্রোফি ২০২৫ দা মণিপুরনা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। ছত্তিসগরগী নরায়নপুরদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মণিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু দাংমৈ গ্রেসনা ২ অদুগা ভুমিকা ১ চনখি। মণিপুরগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৬ তা অসামগা থেংনগনি।

ফূটবোলঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চত্থরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.এ ককচিং খুনৌনা ৱালিদা ৱাবগাইবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.এফ.সি ককচিং অমসুং কে.দব্লিউ.এ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা ড্রো চৎখি।

এথলেতিক্স ঃ ৪৬ শুবা মণিপুর মাষ্টরস এথলেতিক্স চেম্পিয়নসিপ কম ট্রাইয়েল সেলেক্সন ২০২৫-২৬ ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা হৌরে। মণিপুর মাষ্টরস এথলেতিক্স এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ট্রাইয়েল অসি হয়েং ফাওবা চত্থগনি। ট্রাইয়েল অসিদা নুপী-নুপা পুন্না শান্নরোই ১৮৯ না শরুক য়ারি।

**পনচাক ঃ** ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা মমাং থাগী ২৫ দগী ৩০ ফাওবা শ্রীনাগরদা সের-ই-কাশ্মীর ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা অহুমসুবা এসিয়ান জ্‌নিয়র পনচাক সিলাত চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা লুপা ১ অমদি শেঞ্জেংগী ৩ পুন্না তকমান ৪ লৌরক্লে।

------